সু: — ঐবু শক থং বঙ্গা ইমানা লোয়না ম'নগা হেক হেক লাকশিন্নকবা, রা যাম্না শাংগন্দবা, মীৎ মা য়াম্না শুক-তোক্লগা যেংশনবা পাথংচুনী ঐ।

থম: — (Pause) ও ! ঐপোয় পোইবীমা হাইবা, সুভাস হাই-বদ্র ইবুংঙো ওইরে।

সুঃ — মাদি, মশক থম্না থংজমবিবা কৈ, মীওং অমদি ঐ।

থম:— হয়েংবৈগদি চখী লংথাংদা উম্নদবস্তু চেক চেক কৌ-
রকট্রকো।

সু: — চংঙ লৈরিবী মশক ফজবী মৌনহাগা মথোৎ কাথৎ-
চকপবা পাখংগা চংদা কোংনদা, অউবা মীশিংনা
সমাক্তশিদা করম্বা মীংচৎক পাউ শন্দোক্লগনি। শোমদি
তুংগী পুক্সিবু হস্তুনা ৎনদবী, স্নো-পাউদর কল্লকলিবী
অঙাং ২ চেথীনি। ঐগী ইপাস্তু স্তু মমী তেকহনবা
পাংনদবা, কুঞ্জা য়েপপক্তুনা ফুরিৎখাওদা হাপচনিংলিবা
মচা পাখং লৈরবা মীয়ায় ন। ঐনা মচানি। মতু
ৎংনা মমাং খোয়হ য়োদ্বি শাবীরুন্তু মপুক ফবা ইপাদা।
(ক্লুষ্ণমনি পরপ-পরপ চংলকই. মচানা ঙাংলিবত্তু
তাবদা শাউরকই)

ক্লু: — হংস! (Pause) কৈদোরমদা মীগী মযুমশিদা অম্রা
ঙংউ করাবা চায়?

সু: — বাজনা শিদা লাকপিদিংশিনা করিগী?

ক্লু: — ইত্তাও উম্নগে লাকলবনি।

সু: — ঐস্তু মমি উম্নরগা হরাম্বা ফাগে লাকদব ন।

ক্লু: — য়ুংদা চৎলু। ঐ রা অমত্তা তাম্নরকখগে।

সু: — মরম য়াংলবদি বাকাব য়াম্বনি বাজি। মীগী ভুপী নহা
সজ পাংতো ভৌবিদবা কৈ।

ক্লু: — নপাদবু অত্তুম্না ঙাংবা হৌমবরো। চৎলোবে।

সুঃ — হৌবুদি হৌনদে। অঙ্কুবু বাক্তি (Pause) সুপী লোনবা ইমুংদা, সুপীনা মরা মপুরোইববু রাজাংগী যালনা পং-থহল্লগা লৈকায় রাংমা লাম্না চৎথোকনি, রাজাং নৌথ গনবি, মিৎয়েং অ'র্থ য়া'ম্বি, মচা মর বু 'হ্'ংননবা ময়ূমদা মথৌ শু'নংদবি, শক কৈথেল কা'ব অচুপ্ত'ম্ব সুপী শিংগী লাংদা থু'নরুরগা বা জনা ইমা লৈত্রবা মচা ঐগী অনৌসি ইমা অমা থিবিগে'দ থনবিগন্তু !

ক্কঃ — তুকচপ্রেদকো মশিদি। (Pause) নংনা মনি তিন্নরি-ব'শিদি অক্ষবনি খনগেরা অতুদি ? ম'ম তিমন্তু নংস্তু ইনাকথুনবগী শেক্লোং হাংম।

সুঃ — মাধনা কনাগী মাংননবা শিনবা য়াওপ্রগেনে ?

ক্কঃ — নংনা নফি নরোন তুগ ন হায়তুনা লুপা ১০০ ঐস্তৌন্দে পুপ্রগা, নাফদি তুদমা ক'রগী মনিগী মেত্রক পানিকাগী কোর্ম ফিল-অপ তৌরমলি। (Pause) জাংকরোক হায়না জাংবিন্নগা। চৎলু চোংডা শেম্রা'শুম মাকোং ময়াশিদা জাংলন্তু। ঐনা শিদা লাকলিবসি, নংগী থবকী র মোম্বা লাকলিবনি।

সুঃ — ডাক্তর মোহনগী মনাক্তা জাইহাক লৈতনা অচা-শেন চনবা চৎপি'রবতুবু হৌজিকপূ করি কল তারগেনে। (Pause) কায়দে, শোমগী ইমাস্তু ঐগী পংলবা ইপাবু থাদোকপিয়ু। ঐ ইমা লৈজত্রবনী, পোক্তবী ইমাগী মথাদা পুম্সি হিংজনিংদে। (Pause) অত্তুগা ঐগী

মুঃ — দমক্তক্তু শোয়া বানোম্বিগনি হায়বক্তদি (Pause) বাজি, নৈপুংমা যম শায়গা "মো" খোংলকপা মত দা থাজ-বিবকউ। (পম্বুদনা চৎখি)

কৃঃ — খোংজনগে য়েংউ-য়েংউ। (Pause) ইবেম্মা, অহাওবা অহাংনি শাউদ্র। (থরো থোংনাওদা য়েংলি)

থমঃ— তাইবুংঙোগী ইচাশিমা তাইরমলিবশি ইকায়খ্রেদা।

কৃঃ — ইকায়রুগু ইবেম্মা, অশেং-মশেংবা তায়রম্মা রাবু। (Pause) কনা নৈ ইমুংশিদি ? (থরো পাকথখি)

থমঃ— মপাগা মশিগদি চৎথোকখি। অতৈদি খুল্লকখা তাক্ত-খিনা মানা মানা থোকপা কোয়মরগগবি। (Pause) মুক্তা।

মুঃ — হাউ (মনুংদৈ খুমলকই)

থমঃ— মচে খোইবৌদ ?

মুঃ — মনিংগী পুখ্রিদা কোন কেংলিয়ে।

থমঃ— নচে কল্যানা কদায়দা নৈ ?

মুঃ — মনিং লমপাক্তা ইমাতেম্মা হিক কায়বিরি।

থমঃ— কনাগু নৈতে তায়বা য়ারে তাইবুংঙো। (কৃষ্ণ হরাওই, Pause) ইমাগী নাক্তা অমুক্তা লাও। (থোরকই মুক্তা) ইমাদনে হিদাক তাক্লক অমত্তা তাইবুংঙোগী হাল্লকউ।

মুঃ — তাইবুংঙোগী বারিহ্ন ঐ শাবিরমগে। ইমা হাল্লুশো।

(Pause, ক: গী মনাক্তা চৎশিন্দুনা) পৈশা ১০দা পিয়ুবা।

থম:— হায়মা। মশিগি লায়মা ইকাই' খংদেদৈ। মী অমত্তু লাকলবদি শ্রু শ্রু নৈশনগদবনি। মীনা পাউখোন হাইবদি য়াদে।

মু: — লেপ্পা থবক ত্তৌবা তল্লে, পৈশা পিয়ো।

ক: — (লুপা ১ লৌথোক্ত্না) শে: শে: (পিবা) হাউনা চাল্লকউকো।

মু: — ঐ হাল্লকে (হরাওনা লুপা লৌরগা চৎখি)

ক: — ইত্তাও থাবলদি ?

থম:— তলব লৌনি হায়ত্তুনা চৎখি ! লাকপন্নু য়ারে। (Pause) ওসাই লাকপিবত্তন্নু য়োক্তম নৈবদগী মত্তাং চাখিরে। (Pause) ম্নবু শুগিরকলবা নত্তরো ?

ক: — লুপা লিশিং ৫ য়াওরে। কুম্নিংখাঙদা য়াওরিবা চেশমা রেজিষ্ট্রার অফিসকি ডিদ য়াইত্তরদা ইহল্লকলবা দলিলনি। লুপা ১০০ দা লুপা ৩ শেন্দোয়নি' মত্তমদা থা অমত্তনি (Pause) শোম্নবা পোল্লগন কমদৌশি হায়বা ?

থম: — তাইবুংঙোনা চৎথবিনিংবা থবক চৎথবিবা য়াগনি। (Pause) অদু লুপা হায়বত্তু পীবিরকলোনে।

ক: — হৌজিক পিবা য়াদে। মংগা লোয়ননা চৎলগা অফিসতা লহি পৌয়গা রেজিষ্টার লোইখোল্লবা মতুংদা খুৎশিল্লনা পিগদবনি— নিয়মনি। অত্তুগা মরুওইবা অমনা ইংখোলগী

কু: — ক'চ্চা পাটা অদু ইখুৎমক্তা হৌজিক পীয়ু।

থম: — অদু ওইরবদি — (চীংননা)

ক: — অমুক চিংনরিবরো ?

থম: — হুম: চিংনবগী ব্রা নক্রেদা।

ক: — অদুদি করিনো ?

(অনিমক যুন্না য়েংনৈ। থম্বালনা চংশিল্লুনা ক:গী নাকোংদা বা থরা লোন্না হাইরি। চপ মান্ননা নোকমিন্নে। থরোশু থোংনাওদা য়েংলি)

থম: — পংশিন্রেদনা'।

ক: — খ লে। লৌথে ক্রুয়ো, পুং ২ তাপ্রে।

(থম্বাল মখা থোংদা চংখি। ক: নুংঙাইবা বাখলদা তাওরি। মুক্তা ঙানথক পায়দুনা থোরকই)

মু: — ইমাদি ? কৃষ্ণ মনিদা)

ক: — ইমুংদা চংখি। কদায় শিদা শিরকউ।

(মুক্তানা ঙানথক পিবা থম্বাল থোরকতুনা পাটানা লারৈ মান্না কোল্লুনা ক:দা পীবা)

থম: — লাদি লৈত্রব'ননা — চেশিগী মচাও কংদোগে য়েংবিয়ু ভাইবুংঙো।

ক: — (অমুক 'নিরক চীংই) হিদাকশিবু খোইহিদোবা থুম্বু থুমইবে।

মু: — তেলঙ্গা মথৈ পান্নিংঙাই লৈত্রে, মংগী হিদাক থকলিবা চেন্থ ঐঙোন্দা পীয়ুকো।

কৃ: — শিদি হিদাক থক্লরিশিদি।

মৃ: — শুম তাইগে। থকপা লোইরগা লৌরি। (ঙেক ফমথৈ)

কৃ: — ওস্তোক্লা খুয়ৌ চেন্দোরিদকো। মহাক্কী চে হায়বদু হুকাল্লে লৈরুয়ো (লুপা ১ পীবা)

মু: — ইস! নং পৈশা য়াম্না পায়কো (লুপাদু লোরগা চংখি)

থম: — হায়, থোইবী মপাদু 'পস্তম কিস্তডমা লাকলমি, চায়-রিবগী লোয়শিল্লকো। (Pause) চংলশি তাইবুংঙো, মনিংথোমদা কাউব্রশি।

(লাইরেদু ফুরিংখাওদা কৃষ্ণগিননা হাপচনখি। থম্বালনা য়ুমভুগী অকোয়বদু হাংকেং য়েংলমলগা কৃষ্ণগা লোয়-ননা তিঙ্গোল কাওহনা চংখি। থোইবী মথুক্তা শুমংশং পায়ত্থনা থোরকই। মমানা চংখিবদু উক্তৌই। চায় রিবশিংদু শিন্তোকই। কোম্থোংলোমদগী মুক্তা চেন-শিল্লকই। মথুক্তম্ব চে ১ পাইরকই।)

ম: — ইচে! ইচে!

থো: — করিনো? (বাইশিংপা লেপই)

ম: — শে তাদা স্বভাসনা পিরকলিবনি (পিবা)

থো: — কদায়দ্বায়দ লৈহৌই? (লৌশিনবা)

ম: — কৌশিদ্বীরকউরা? (Pause) কোম্থোংদা লৈহৌই।

থো: — কৌশিল্লকনু। ঐ লৈহৌদে হাইয়্রকো।
মু: — হোয় — হোয় (হরাউনা চংখি)
(থোইবী হরাউনা চিঠিত্তু ফাক্তোক্তনা য়েংলি। কন্যাসু অবাংগী পার্দার হায়গত্তুনা থোইবীনা মোমোন নোকচরিবত্তু য়েংলি। থোইবা হরাওনা চিঠি পাথরকলি।)
থো: মাই ডথার লীমোন থোইবী — (Pause) মহাক্কী মক্ষমদা ঐহাক্না পীজখিবা চিঠি ২৮ সুরে ১৯ সুবা চিঠি শিমসুংদদি ঐবু খুংশি নত্রগা খুংশদে হাইবগজং পংহন্নিরকউ। মহাক্কী থা ১৯ চিঠি পাউথুম কংক্রবা সুভাস।
(পাবা লোইবা) চিঠি ইবা হৈংতে হায়রমক্তদা পংথাদা থাজক্লকই। য়াম্মজুনা থমকমসু থংজক্লতে। য়াহৈ য়ানা হৈংতবগীবু থম্বে। ঐদি থমবদা কোকশি চাওরেকো। (সুভাস লোন্না চংলকপা উরজুনা কন্যাসু ইমুংগী পার্দার থাদখি।)
— ভা-সুভাস শাউরুকো ঐবু। চিঠি ইবা হৈতবননি খুংববুদি তশেংমা খুংশিতবনি মংবু ঐন্না।
সু: — (চংশিন্দুনা) ইকাইক্লখুবা। ঐনা নহাক্লমখৈ ভাইজরিবসিমু য়াহৈ অচত্তর। (Pause) অন্নবু হাইবিরবদি মাগী চিঠি কাচ্চা, সুপই ইবিরকনু। কয়িস্ল শাউদে ঐ। (Mood Changing) ভসি নংগী "খুংশি" হাইবা য়াহৈসি ভাবদা থা ১৯ নংগী পাউথুম কংদবগী

ওসচাক্লরম্বা নৈচাক্তো (Pause) নিংথমথাগী মতমদা ওলাংথাগী নৈশা কাউথোকপগুম কাউথোকখ্রে। (Pa-use) ইয়াকম্বা থৌ চাগে, কাউথোকখ্রে। (থরাইতানা থোইবী নোকচৈ) (Pause) মথোই' ইগা'দ ?

থো: — নৈতে। (Pause) চেকপেরা ?

সু: — ভাইহাক ভাকবা ভারেদবা।

থো: — অদু'দ ঐ চা লে মুখিগে।

সু: — হং: লোম্লুমজুদা।

থো: — লোম্লু'খিগে, কম্মো। (থোইবী চংখি, মুক্তা চংলকই)

মু: — হায়রা !! (Pause) ভা-সুভাস, মঙ নৈরংলে। কাউ থোকো— (ইমুংদা চংখি, সুভাস হকচাং তিংলি য়াংলিরি। মুক্তা ইমুংদে চে অমা পুথোরকফই) শে মাশ ইচেনা নঙোন্দ পীয়ু হায়রবমি। অদুদা ঐন কাউ থোকলুবা (Pause, চে পীবা) ইহে ! ঙকান্দা পৈশা কাউরম্মে। ভা-সুভাস নৈহৌথোকো।

(মুক্তা কোম্বোংলোমদা চেনখি। সুভাসন্ত থৌ-রাংনা চিঠি ফাকথোকতুনা পাগদবগী মীংয়েং থমলি।)

সু: — (পাবা) ইয়াদি কৃদ্দ শ্রীইবোম মাধব সাং নৈংসৌ থোং-মেন্থী, শিমফম ওক্সা, স্থাহনে লিখিতং (ইঙক ঙকই,— চিঠি মনমদা অমুক য়েংই, পাথে) (Pause) শ্রীমাইবম থাবল ঐনা অচিঘা অমগীদমক্তা ঐগী যপ

অঙাংবী মৈতৎপী, ময়া অহুম তাংবশি মংলা লুপা ৩০০,
দা য়োঙ্গরে (Pouse) করিনোনে ভোরিশিবু !!

মুঃ — (কোম্থোংলোমদে) ইচে ! ইচে !

থোঃ — (ইমুংদে থোরকই) করিনো ?

মুঃ -- (চংলকই) বাক্সি লাকতোরে।

থোঃ — অদুদি তাদা সুভাস, নখাক চৎখ্রোকো।

(সুভাস পাখৎনা মশিংকাওখি। মুক্তা, থোইবী ইমুং চংখি। থাবল, খোন্দা সুংঙাইনা কা মতপ অগা চাহুনা, বোড়া খাউ মথোম অমগা, মৈ চাক্তুবা বিড় মতেক অমা ওন্না ওন্না চোংলদুনা চংলকই।)

থাঃ — কদায়দা হুয়া চৎমগে। (Pouse) থয়ো, থম্বাল, থোইবী, কন্যা, মান মুক্তা। ৬মক সুম্বৎসু অহুমদদি তবল কংলকপা মুমিৎনি, ঐবু থোরাংমস্তু মঙাইরম্মুদনা
(মুক্তা; কন্যা. থোইবা মথং মথং থোরকই)

মুঃ — বাক্স তবব কংলবরা ?

থাঃ — তবল লাইরি, নমা অাবি কদায়দা হুয়া চৎখে ?

মুঃ — ইমাতোন্দা মনিংদা লৈ। ইমা য়াওমদি ইশংমবি হায়বা নিপাঙুগা চৎমল্লখি। শিদা লৈরিবা তাম্বকসিসু নিপা-ঙুনা থকলম্বগনি।

থাঃ — কৃষ্ণমনিনবু য়ুমশিদা চংলকলবদি নমাহুস য়ম্না থিন্দোক-চনিংবনি। (থাউদে পোৎ লৌথোকই) মশিনা মরাইবক থিরবী ইচা কৈস্যাগী মপী তৈথোক্লবনি
(টাউয়েল অমা কন্যাদা পীবা)

মুঃ — ঐগীদি ?

থাঃ — ইচাগীমু য়াওরি। (Pause) মশিননা ইচা পোইবীগী ঙাইহাক শংবদা কুমাল লোয়া ভয়বনি। (ফ্রেম অমা পীবা.) (Pause) অদুগা ইচা নুংশিবগীদি চাকচাবদা শেৎকেরং, যণ শেম্বদা শেৎ'করা (ঙাংনা ঙাংনা পাখ্রবা খুদৈ অমা ফ্রংক কখোকতুনা মচাদা পি।)

মুঃ — (খুদৈদু মমাইদা থস্লগা) শিদি মাইথুগী শান্নবা য়ারে ই (লংশিল্লকই মপাদা. শাউনা ইমুংদা চংথি। মচে অনিস. নোকমি নোকনি চংথি)

থাঃ — ইচানমু পামজ্জবদি, খোংনম ফদি ওইখোক্লবি মথং থাদা থর ফবা লৈবীনি। (থরো থোরকই ; থরো, অঙাং-শিংশি হন্থবা মমলদা পোং লৈরকই হাইজনা শাউরিবে।
(থম্বাল চংলকপা উবা)

— থম্বাল ঙাইখো, লৈউ রা চায়গে। (Pause) মমাউ লক্ষ্মনা মমামু: শ্রী রামচন্দ্রগী য়াপং মতু ইমা মচৈগা সিতাগী মমাংদা হেন্দোকলবা চীংলম্বা লৈফিদু নিংশিংবা ? (Pause) ঐগীমু মবিংগী কোম্বোংচৈশি লৈরিনি ফাউ মু। মশিদগী হেক হেন্দোকপদা সতি ধর্ম্ম শাংলক দবনি। থুদোং চাবা য়েংজবা হিংচাবা রাবনগুম ইভ'উ কৃষ্ণগনি অদু ভিক্ষা নিবা শাশিল্লবা চংলকনি। (Pause) শাউনু, ঐনা ঙাংবশিদা (Pause) নুপী লোল্লি লোল্লিবা য়িপা অমনবু শেল পায়দবা হৌনবরো (লুপা উংপা)

থাঃ— মখোই অনি ওয়িরৈবা মংগী মংগী ফংকম থোরুপা লুপাচু
য়েনগে, ভই য়েৎ নিয়ম কায়দনা লেপউ ('নিয়মচুম্বা
ওনথোক্কে) ভাউ এবা ফংলকপা লুপা ১৪৫ মি।
লুপা ৫ ভারি. থুম, মোরক, অভাংগী পোৎচৈগী পি-
থে কলমলে। লুপা ১৪০ য়াওরি। নিপা'দ নাথৈ শেল
পাবা য়াদে। লুপা ৪০ শিনা ঐ হাপচলগে (ফুরিৎ-
থাওদা হাপচন্নি) লৈরিবা লুপা ১০০ শিনা নখোই
অনিগী ভংথাই ভংথাই য়েন্নরোশে। (পীবা)

থম: — (লৌদে) ভংথাই য়ারোই, ঐগীদি ইচা অনিনি।

থাঃ — পরোগীস্ত মখিগা, কন্যাগা য়াওরিশিনি।

থম: — ইচা মুক্তাবা চাবগা, অহলবা চাবগা মান্নবা হোনহে।
ইভোমভা চাবা ফাওবা চেং কোভা অমত্তুম চাখোর্ক্কই।

থাঃ— ফরে ফরে, ঐ ইপাহ ইপুই কৈনৌ য়ায়েল শিনগে (Pause)
থরে নে, মানিনে মমা মচা অনি অমা। মুক্তাবে, থোই-
বীনে নংনে নখোই অতম অমা। পুম্না মী'র্থ মি।
ঐগা কন্যাগা পান্নগা নখোই ৫'ম (Pause) থবাল
মংগী চফু পিকই। কন্যা য়াওন্নবদি কাপি নবনি।
শোগাং কাদনপা চফু চাউবা থরোগীদা ইচা কন্যা
চারমণ্ন মখোই মীওশিদা লুপা ১০০ শিনা য়েন্নদা
ভরাভরুক ভরুক ৯৬ পুন্না লুপা ৪ লেঙা। মী অম-
মমদা লুপা ১৬/১৬ থুংনমবা (Pause) থরো, মনি
কন্যা মীশক অহমগী ভরাভরুক অহুম ৪৮ (Pause.

[illegible]) [illegible] পায়শিন্নু। [illegible] [illegible] [illegible] মুক্তাগা খোইরাগা নখোই [illegible] মুপা [illegible], শে পায়-শিন্নু (পীবাঃ, পায়শিনখি) মুপা ১০০ [illegible] [illegible] ৯৩ চংলে। [illegible] [illegible] ৪ লেমখি। লেমখিবগি উনলো-রেক্নো ? ([illegible])

[illegible]— খোংবগী [illegible] নাইবনা চাৱা [illegible] [illegible] মুক্তা যাওরি। লেমখিবা ৪ রু হাপচবগু।

যাঃ — মুপা [illegible] [illegible] থেংশিনকখিদি করিগীনো ? (Pause) [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible] [illegible] চাউনা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। খেরে— ([illegible] ৪ রু পীবা [illegible]).

[illegible]— ([illegible]) মাই— মপা, লোইখিরবরা ?

যাঃ — ([illegible]) [illegible] [illegible], এংগী করি [illegible] ? [illegible] লোইরিরৈদা [illegible] [illegible]।

[illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] পী'[illegible]। [illegible] চংগদবা খেল যাগা-নৌরি।

যাঃ — ([illegible] [illegible] [illegible]) [illegible] (Pause) খোনোরে লোখো। খোলোজ লোখো [illegible] [illegible]। করিগী মনি [illegible] [illegible]। (Pause) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইচা মনি [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] নৌরে, [illegible] [illegible] [illegible] (Pause [illegible]) মুপা ২৪ লোকশিনদা করিগী থেংশিন্নি। [illegible] [illegible] নৌপা

থে'কই ? (Pause) বা কুপ চাগ্নিবগি ভিরোইদবো কোবিগা মুচলি থেগতোইদো। (দাউইংলি) কবিগী থৈব কতবা ত্থাংলিগে। কোয়োই মুপীগা শঙ্কা, চৎলো নরোই পুরক।

(কোমোংপোলদৈ যাব হুবাউবা মঙ্গো [illegible] ১ পাই- তুবা চেরকই "প'রক পাম তোরে". [illegible] হরাওনা পাওদমদকই। থুঁকোর থাংগৎ'ন তুমই। পুরক হয়া[illegible])

মনি— ইমা ! এ থেরিক পাম। থেরিক পায় !! (লোক্তা পা- থৎলি) থাক, ঐ থেকেৎ ডিক্সিকা [illegible]। মি [illegible] মীং কমো য়ায়া। মিৎ কংবোই, [illegible] মীং [illegible] রুপা ১০০ [illegible] [illegible]। লাইরিক লৈবগী রুপা ২০০, থজ্জি লৈবদা রুপা ১৫০ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] ডি-এল কলেজ [illegible] কাওবা পাম [illegible] লাইকল ১ধা লৈরীবা য়াম্বে।

থাং— [illegible] পাম থোক্কবিয়ে। অত্তক [illegible] কৈদোবগী পাম তোঙ্গিরকদিবরো ? [illegible] [illegible] (Pause) তাইবে, মীংলমথোল রুপা ১০০ (মথুং থোক্তুনা থা- রকই) লাইরিক লৈবগী ২০০ থাড়ু লমদা লাইকলদু। (Pause) থেল !! পুরক [illegible] [illegible] হাইবু।

মনি— অদুগা পিদিবুদা কোরবা [illegible]।

থাং— কদি ! [illegible] থাবা !. (Pause) থৌবা থাপা কংদিবা তপদবিগা রুপা ১৪৫ নবোবনু থাকদিবদি !(Pause)

বস। হোয়দা; তুপী লোমি লোল্লগা ইচা চেরুকমি থংলিবা নিপাগবু লেল শায়দবা হোৎবরদা। (Pause। মখোই পুম্নমক ভাউ, ঐগী স্প্রোল সেভিংস ভোনগী লেনফু লৈ। নখোয় লোয়না লৈবম্মু যাওশংগী নফি মরোল লৈবিমি। নতাংলগৈবে ঐনা থুগাইরোই হাইনা থুগাইদি বনি।

'খো: — বাবা ঐগীদি সাড়ি অমা লৈবিয়ু।

মু: — ঐগীসু বাবা সউবগী খোংউপ তোংমি।

থাং: — লৈনি লৈমি, লোইনা লৈমি।

খোংথাং ১।২ ময়াই খোৎরোমদা চংখি অমুক মমাই ওনখোরকই। ময়ামসু খোরাংমরি) Pause

লে: লে: ইপাগী থবাকশি লেমাইরো লাও। যাগশি থুদেক্লগা চাউনাগী যাশেক্ষমদা যোম্লোকরুরো। লে: লাউদনা মীৎকশি কোৎখোঙ্গগা লাউকলগা শিমরুরে। (Pause কপই) নখোঙ ময়াম চংলুনা ঐবু হাৎলোকো। হাৎলরো লাকওনে হাৎলরো। ঐ উপাই লৈত্রে, ঐ জ্বাব ভত্রে, ঐ কোক্তা খুৎ হায়ে।

থাবল মকোক্তা মথুৎ থাজত্নবা কপ্পেন কঙ্গা জ্জন যাওদনা কমথখি। ইমুংগী মী পুম্নমক যায়া ওল্লা; ফিভম কায়দনা য়েংনরম। ওসাইদগী খোংনাউদা, য়েং লিবী কস্থা চঙ্খোয়কনা মপাগী মখোংদা "বাবা"। হাইনা কোপ্লখি।

থাইহাক অরাবা পোখাকম

অনিসুবা তাঙ্কক

অহাংবা তক্কী, পাবলগী য়ুম অয়ুমক কায়রিক্লি থা ৫৪ গী মতুংমি। য়ুম অত্থু থরদি মঙ্গুরপ উরে। য়ুমগী মাঙোলদা থোইবী মোড়াদা ক্ষমজ্জুনা লোইশিন্নক্রবা মোনখুম কি অমা লোম্ফুনা শতোমতনক লৈরি। অয়ুক্কী পুং ১১ রোম তাররবা মতমগী মপান্দা হুইসেল থোংলকপা তায়। থোইবী মীৎ-না শিংই। ইথক থক্কৎলি। জ্ঞান তায়, সুভাসনি থংই। থোরাংলবা মাইথোংবা সুভাসপু ভাইরি।

থো: – (Mood Changing) মুক্তা, কনাসু লৈতে লাউরে।
(Pause) ঈশ্বর ইবুংঙো ইমা লৈত্রিবৈশিদা অমুক্তা উনহন্বায়ুগবা।

(সুভাস তুমিন্না কোহোংলোমদৈ চংলকই)

সু: — অহাংবা মতম রেংহুনা লেপনমক মমাংদা লৈরবে। কম্রি বড় বিগে থ'ম? (Pause) ইকাইবু, ঐহাক্না "সাই-লেন্স নাইট" পাম চ'ইবদু'দ লোইরকলত্রা ?

থো:— হয়েং লোয়ো, ভানদ লোইশিন্দ্ররমত্রে। (Pause) কম্মো মোড়াশিদ। (সুভাসতা মোড়া পীবা)

সুঃ — য়ারে। (ফুরিংখাওদে চে লৌথোক্লুনা)

মশিগী চেশি নখোইগী যণ য়োনখিবগী দলিল ওইর-মারে। মহাকনাই নঙোন্দগী, ঐনা লৌবা " যাকেন্বা " হাইবা লাইরিক অমুদা য়াওরম্বনি। মাংনি, অহনবা পীশন্নু। (থোইবীদা পীবা) কদায়, মোনথুমদু য়েংগে।

(হকচাং হকচাং নকশিন্নরুনা মোনথুমদু য়েংনরি। থবাই তানা নোকমিন্নরি। থম্বাল মথা লৈকায়-রোমদে পরপ চংলকই। লৈরমলিবা মঙৎদু উ-রকই)

থম: — থোইবী কনানো নিপাশে ? ক রনো নহাক্না ভোরমলি-বশিবো ? (Pause) এঃ ইবুংঙোয়া ? করি থবক্কি ? নিপা নহা লৈতবা কুপী ভাক্তা লৈবা য়ুমশিদা কৈদো-ঙিরমলিবা ? (Pause) খংউ ইবুংঙো মোংমা নংনা মফমশিদা, ঐবু নমিত্তা ঐ কাবনবৈ ভাংথিবদু কাউদ্রি—থম্মোইশিদা য়েক্লুনা লৈরিবনি। ইচাশি মো নত্তে লৈশাবীনি মদু খংউ।

থোঃ — ইমা। ইচম চম্না লাকচবা মীবু অমুক থিনা ....

থম: — নিপা নহা লৈত্রবা মতম, ভাকশিদা লাকলমলিব-শিবু চুমলিয়াও। নং লৈশাবীনি মো নত্তেনে। ইবুংঙো লৈকায় ভাকত্রিঙৈদা থোকপ্লো চৎলু।

থোঃ— ইমা তাদা সুভাসকী গরাল করিস্না লৈতে তাচৌ উন্নবা লাকচবনি।

থম: — তুমিন লৈয়ু ঐ লোয়না খংই (Pause) পুম্নমকশি হন্নকপিশিনা লোকশল্লিবগনস। (Pause ইনুংলোমদা) হাই, কৈম্না লাউ থুয়কউ।

থোঃ— ইচেদা তাইনবীগনু ইমা—।

থম: — মংবা খংবা রা নত্তে। (কন্যা থোরকই) বিপাশি-মশক খংত্রা কন্যা।

কন্যা— খংই। (মরায় লূক্কা লৈরো)

থম: — মং অমা লৈম-লৈম মনাউশি মাংমনবা শিল্লেবে মংনা। তোঙ্গী।

কন্যা— ইমা ঐদি করিগু খংজদে। মাংমনবনু শিঙ্গদে ইমা।

থম: — করিস্ন খংদে, মাংমনবনু শিঙ্গোপাইনা। মংবা য়াম্নবা চংহন্নমলিবা নত্রা নিপাসে মংদি মাংজরবী মোমী খংউ। ইচা মুপীদি মোইরাং থোইবী, মন্নু খংবা চৎকদবনি য়ুমশিদা।

কন্যা— ইমামা ঐবু ভাংগে হাইবমখৈ ভাংবিয়ু। অদুগা করিগু খংদ্রবা তাচৌগা হিন্নবা তাম্নুভসপুদি ইকাইবা পিবি-গনু ইমা। (Pause) তাদা লেংবিরো।

থম: — মানা লোইনা শিল্লিবে। শিপ্রোনহৈ নংদা শোইরেন্নু। মথিবোংহ থাক্লবা হোৎনবদা পুকশি থল্লেবে। বিপা মাবনবা চৎকেদি হায়ত্রগা ইপা লৈরি হায়ল্লুনা লৈশল্লরে,

ওক্কবীগী লমচৎশু চৎশিন্নরবদি অউবা কনানা তিন
শিংলোই। কনানা মংগী ম'থৌ থাকান খ'ঙ্গনবগে?

কন্যা – ইমা! তাকপিয়ো ঐ ল ন্নে। (মনি বাফমশিংদু তারি)

থো:— ইচে ইমানা তাংবদা খুমগন্নুকো।

সু: — কন্যা, মত্তুম রাখল থনগনু। ঐমা লামঙ্গবনি। ইমাশু
ময়াইবক থিরবী ইচল'শ'দা তাইন'বগনু। (Pause)
ঐ চৎলে। (খোংথাং ১।২ থাংখি। মনি চংলকই)

মনি — সুভাস, তাইবো। (Pause) কারণনো ইমাবা য়ুম-
শিদা ইরাং খেক্লনমা তোয়না শিল্লিব স? মরুপ মপাং
চংলকই, অমুক হায়া চংলক্লবা মতংবা, ইচলশিবুস্থ
লৈবা শমদনবা ককশ'বা হেক মশাবা হপাবুস্থ মীয়াংদা
হেক ময়োক্লোকপা, মাঁনবু করি খল্লুনো?

থম: — করিনোনে, ম'সনা মরা'ম ইথং খ'দনা হেক লাকপগা
নিংথৌ শাবির র'শবো।

মনি — মানি, ঐ নিংথৌনি। খংবিয়ু ইমা, লৈবাক খুদিংমকপু
অয় তৌবা তন্বা মী, মীশক অত্তুমকপুস্থ মাথাদিবা পিবা
তন্বা মী অমা শোইদনা লৈরমগনি। (Pause)
ইমুংশিগী মী পুম্নমকপু ইমানা খুদোংথদা লৈনা পু'র।
মত্তুবু মহু শক্তোকপা তমাস্তবা ময়াম অতুগী মপুংদা ঐহাক
ইমাগী মাপল অদু খুদেক্কে লৈরিবা মীশ'ক্ক খংউ। ইমানা
মোনা হক্কেকশান্নবস্থ মবুং লৈরিতদা ইচলগী মীতগী পী
তাংবা থক মায়োই।

থম্বঃ— মচল নুপী লৈশাবীশিংসু মাংহল্লোদনা অদুদি। পুম্নমক পাম্নবিরোনে, ওক্তবী ওইহল্লোদনা। (Pause) হঁ নংনা লোয়না পাম্নবিরোনে।

মনি— জ্ঞান তাবা ঐনা পুম্নমক পাম্নগনি। ইচল অনিমক ঐনা শেমগনি। ইচলশিংদা কনামত্তনা অয়াকপা খোল পাক্তনা বায়কপা শক য়ারে,ই।

থম্বঃ— চৎনরোল খংদ্রবা আক-পাক মাইদ্রবা মচা মশু থরা তিয়শল্লগা নংমা ঐত্তোন্দা লুশনদা হায়া লাকলিশিবু করিগীনো ?

মনি— ইমানা য়াম্না তিম্নবা পাম্বীরিবা, কৃষ্ণমনিনা পোকপা মচানি মরুপসি। সুভাস হায়বদো লৈরিশিনি।

থম্বঃ— অদুদি নচল নুপী লৈশাবীশি নিপাশিদা কৎলোইহে।

মনি— কৎকনি। ইচম্বু পামজরবদি অপাম অঁপাম্বা য়ানবা মক্কমদা থাজনি। মবুংনা মচল শেমগদবনি। ইমানা চৎপা মিয়গ পুম্নাক খংদবা নত্তে। ইচল কন্যাবুসু লৈহন্দনবা ম'শম্বা, নখোই নমা-নচা মখৈনা মুংঙাইনা পামগে খল্লিনবুবু করি থম্মে'ইনো ? (Pause) ঐসু খংদ-উদবা নত্তে। ঐগী মরুপ সুভাসকা ইচল খোইবীগা মরি লৈনৈ হায়বা খংই। মহা ওইবগী পুন্সিদা ইমানা য়েংশিল্লগা করি কায়ে। (Pause) হাইরিশিনি ইচল

মনি— থোইবীশি সুভাসতা মবুং ঐনা শোয়দনা কৎকনি।
(Pause) চৎশি সুভাস।
(সুভাসকা লেংগোন্নরগা চৎখি)

থমঃ— কয়াদা উশিক্ত্রবনোশে। (Pause) হাই, নং লৈবদগী থোকালবা ইরাং ময়ামশি উরেদমা। নং য়ুম'শদা ওসিদগী লৈবা য়ারোই থংউ। নপানা পানবা ধুম নত্তে।
(কন্যা তপ্না তপ্না ময়াইকাদা চৎখি। থোইবীসু অবাং কাদা নিংঙমদনা চৎখি)

থমঃ— (Pause) মথোইশি'শিদি ঐতোম্দা য়ান্না য়েৎকদোয়। (Pause) শেয়া ঐবু কয়িম্ভ লৈতনগা ওাংখিবা। ওম্বাল ঐগী ইত্তিক থংগ'নদনা।
(কোম্বোংলোমদে কুঃ চৎলকই)

কুঃ — ইবেম্ম, কুমৎ য়ুংলমদাইদা য়ান্না শাউবিরমগ্রেদা।

থমঃ— লেংশিনাবিরকউ। য়ুম্বালবা হাইব'শাদ্ব 'শি ওাকনি।

কুঃ — ঈ-পাউদি কমদোনরে ?

থমঃ— পাউ হাইবদু, নহাল ভাইবুংতোদগী লোকখিবা শেন-কমন্নুদগী পীরক্তবা য় দে হায়দুনা লুপা ৫০০ অমম্ব পীজগ্রে। লাকলিবা তাং ১ সিদগী পাউ তারনি, পাথৎ-পীরম্ব ইমা হাইনম্ব হাইরকই। (Pause) খ্বাইদে লুবা অগনা (Pause) ওজিশিদি তাং ২৯ নি, অদুনা

লুপা লিশিং অমত্তংগা তাং ১ য়ৌত্রিবৈশিদা পাম্বগুম্ব হায়রোই। ঐস্থ থবকশি মফাং মফাং চিন্নগদৌরি। তাইবুংতো তেক য়ৌশঙ্গীরক্রো। হাইববু ঐতোন্দা ফজবা অমুক তারগদ্রা থংদেনে।

কু: — ইবেম্মনা পুম্নমক হোৎনবিগদবনি। অতুগীদমক্তা ইবেম্মনা শেল ওয়ারবদা ঐহাক্না পিজরিবত্রনি। মহাক্না লিশিং ১ হায়বত্র ঐস্থ শেলগী মপৌ লৈরমগদ্রা থক্নুমা থোরাং তৌগনা পুজরকানবনি। (লুপা পুথোক্নুনা) শেং মাগী মখুত্তা পীশিনো (লুপা পিবা)

থম:— (লৌশিন্না) ঐনা শেল পাইহোই, হাৎখিনি হায়রবা পাখৎলিপগনুকো তাইবুংতো।

কু: — কৃষ্ণমনি ঐতোম্বগীবু লুপা লিশিং অমা হাৎখিগদা লিশিং ২ মৎপা ওংশিবশি। কবস্থ চৌংবদে। শোয়দ। শোয়রম্ন। ঐস্থ চৎপ্রগে। (কৃষ্ণমনি কোনথোংলোমনা চংখি)

থম:— মাশদগীদি ঐস্থ কমদৌরি। শেল ময়ামশ শিজম্মকম থংত্রবদি শোয়দমা মাংবা তায়।

(থাবলস্থু কোনথোংদৈ চংলকই, থাবল উবদা থম্বাল লুপা লোংশিল্লি)

থা: — হাই থম্বাল; কৃষ্ণমনি চৎখিবশি শিদা চংলকপমত্রা?

থম:— কদায়দগী চংলকদগেনে।

থা: — ঐগী হিজোল পাটাল্ল কদায়দা থম্মী, পুথোমকউ। হয়েং

থাঃ— খাজনা থিবা অয়োইবা নুমিৎনি। (থম্বাল অবাৎ কাদা চংখি) (Pause) হাই, থরো তাম্বরা; ঐগী ইংখোল পাটাগ্ণ অমুক্তা থিরকউ।

থরো— (থোরকই) শিদা য়াওব্রা অমুক্তা য়েংবিয় (চে মপুন অমা পুথোক্তুনা থম্মী)

থাঃ — য়াওদেনে। কদায়দবু থমগ্রগে? অগস্তবু য়াওদেনে।

থরো— অমত্তা য়াওদবা। (চংখি থম্বাল থোরকই)

থমঃ— শিয়া অমুক্তা য়েংবিয় মাই মপা (পীবা)

থাঃ— শিদি মেটিংগী চেমিনহে।

থমঃ— মেটিংগী!! (ঙক্লা চেনশিনখি)

থাঃ — পুগ্নমক নখোয়না মাংহবা ঙাকনি। (Pause) হাই, নখোই লোয়না লাউ। (থরো থম্বাল থোরকই) তাউ, "কাপ অমগা ভংখাই শাংবা, খাকি মচুনি" থিরকউ।

থরো } "কাপ অমগা ভংখাই শাংবা, খাকি মচু"।
থমঃ } (থরো থম্বাল মাগী মাগী কাদা চংনখি)।

থাঃ — পোক্তু হেক মাংবদা নখোয় অমত্তা য়ুমশিদা লৈবা য়ারোইদবনি। (Pause) হাই মুক্তা, ইপাগী পাক্সি অগ্ণ অমুক্তা পুথোরকউ।

(মুক্তা য়াম্না বানা পাক্সি থাংলকই। থাবলনা য়েংই)

থাঃ — শিদম্নু য়াওদেনে। খাকি মচুগী চেমি নং লৌখোকপ্রা
তেলঙ্গা মমৈগী ?

মুঃ — এ দ তৌম্নু তৌদবা। মখোয়না মাহুক্নগা। (Pause)
খাকি মচুগী চে ওইরবদি নহাক ইমানা ইশঙমমি হায়-
বক্লদা। হদাক হায়গী লাক্লৈ শাহনখি।

থাঃ — তুমিন লৈয়ু। অক্নক লুবা চেনবু — (Pause) চংউ।
(পাক্সি পুশিনখি মুক্তানা, থরো চেঙ্গোরকই)

থরো— মাগী মপা, অমত্তবু ফংদেনে।

থাঃ — ফংরে। ফংজ্নসনু, নং লৈরনু।

থরো — মাংঞগবু এরোম্বা লাউহৎলগা ফংগদ্রনে। নংবা হেন্না
মওকরে।

থাঃ — মশিঙ লৈতে, নখো নত্তে নংবু তাকপিয়ু হাইবরো।

থরো — কমু‌শিগী মুপী অতাংগী লমচৎ শারুৎ য়েংশিন্নবীগেদি হায়-
দ্রগা মাংলকলবা মতমদা ইনগ ভৎপংদৈৎ ফুবা (Pause)
লৈজানিংঙ্গে কাকুশিদা।

থাঃ — লৈগে-লৈয়ু, লৈরোই-তোকউ লোমগে হায়না লো
ক্লিনি।

থরো—ওন্ন হায়গে হায়না হায়রিবনি, অক্লদি।

থাঃ — হাই, বা য়াম্না তাংনু। লৈবু লৌশিন্নবদি এগী বাদি
তাও।

থরো —হিইস! লৈয়ু হেক লৈবা, চৎলু হেক চৎপা; (Pause)
এবু মক্লংগী পোয়ো ?

থা: — মানিমা। ঐহাক্না হায়বদা নখোং অদু থাংগদবনি।

থরো— থাংত্রগমা করি ভোগদৌ'রবা ?

থাঃ — থাংজগবো (Pause) "গেট আউট"

থরো—করিগী !!

থাঃ — থরো, নং চাকহৌগন্নুকো ঐবু। মংশি ঈশৌ লাংগ্বী সুপীনি ভাব-হাও।

থাঃ — অদুদ্বগা অরাম্বা ভাহন্নগা থরোমগা হমগদবা নত্তে। (Pause) সুংচৎহেক চৎলোই।

থাঃ — নং চৎত্তা চৎলোইদ্ (চৈ-থিবা)

থরো—ইস! ফুবিগে হায়বিরিবরো (নুংশিনা)

থাঃ — (য়েংজরগা) মশি সুপীশি চাকইকো। শিরয়নি মং, (Pause) মতৌন্দগীদি চায়াম পোকপী থম্বালনা হে ল্লিমে।

থরো— অহেমবত্ত হেম্বীরো (মপুক্লিং নুংশিনা) ঐবুদি কদায়দৈ থম্ব'রনি হায়গেদো।

থাঃ — গশি সুংশিররোই লাইস্ত ভমদেহৈ। (Pause) লাই মীওৎপী, নং পাগত্রে, মংনা ঐবু শুমহৎহত্রে।

থরো—নংবু য়ামনবা চৎপদা ইশাশে কুমাংবান্দা মতাইরে (Pause) পেম্বীত্রিবরো মীওৎপা।

থাঃ — নংমা মশক থরা ফজরগা নত্তক হাইগৎ য়াবরো।

থরো—হাইগৎনি, কমামা কৈদৌজরনি; থোরকপা অমত্তং চেল্লা (চেলেঞ্জ) (শাউনা চৎখি)

থাং: — তাই পম্বাল কদায়দা লৈরি। পরোগী শনি, থম্বালগী চুর্বাষা শাওরে! ঐগী পাটা পীরো লাও (Pause) থম্বাল।

থম: — (চেঙ্গোরকই) ঐ শিদা লৈজরে।

থাং: — "ঐ শিদা লৈজরে" করিগী মোথরি।

থম: — হায়গদবা রাজু হায়বিরো। খোয়দোগা য়াম্না শাউগৎ-লিবজাৎনি।

থাং: — মংস্ত ময়ুমদা চৎলো।

থম: — করিগী! (Pause) ওমজরোই। মণ্ডপলাংগী মমজা ইমমশি শিজবা শাংগৈ তৎপ্রবা নত্তরো। (Pause) মীত্তুম ফ কচনগে — মেয্য।

থাং: — নং লৈবদৈ অওাং মশিং হেক্লে। মং লৈরক্নু।

থম: — লৌরমদাইদমা লিকশাবীনি, খুদোপ থুজি কোয়নি হেক মহাইবা। ইপামদা লৈরিবৈদনা কোট ও, তায় ও, ঘড়ি ও। হৌজিক্তি অংগুম লৈত্রে। কদায়দা কম্না চৎলে?

থাং: — লৈকাই তানি তপ্পা ডাংউ। অরায়বা শাকনি।

থম: — তাসনু, ফজতা ডাক্কনা ঐবু লাজোয় চক্লগা মীৎ থক-হখিবা য়াবয়ো কেশ চৎপলো য়েংউ।

থাং: — সুপ্রিম কোর্টতা রাকৎকেয়া, ভৈরব কোর্টতা হায়রুগেয়া? মংয়া থোকপা তোক্রো। (Pause) নং য়ানবা

কোয়থেক্লগা লোথেকলিবনি। ঐ মাথা শায়কো। ঐবা হল্লকপদা য়ুমশিদা মখোয় অমত্তা লৈরমগনু। (চৎথি)

থম: — মরে শাউশিন্নহুনা কায়রোই। বা লোয়লোকশিনগথো।

থা: — করিগী য়াবো? (থরো থোংনাওলোমদা য়েংলি)

থম: — ঐবু লৈথো হাইরিরা— লৈরমু হাইরিরা?

থা: — ঐবু নখোয়গী লাইবক য়েংবা পাম্লরো।

থম: — থিথিরংলো অচু'ন, অঙাং য়াওবনা ঐবু।

থা: — করিনো! করিনো নংমা হাইরিশিবো' করিনো খংজে ঐ' ক'লদা'ঠৈকদোবগী লোল্লুরিবা নুপীনো খংজেনে। (থরো থোরকই)

থরো— ইংখোল পাটা হায়বক্ত চৎপিত্রিরৈঙদা হংশিংদৌ (Peruse) মহাল নোংমসু ভাইবুংঙো লাক্লমনি। ঙসাংসু শু সা শু সা 'করি করিনো য়াম্না 'চিকনবিব'ন।

থম: — ম'না করি খংহুমা ভমশিল্লিবা পাউমো। মী লাকপশিবু য়াত্রবরনে ইবেম্মা?

থরো— হোই ইচে, মভাং য়োরগা খংমবা হায়বক্ত'ন।

থম: — মভাং য়োরে, খংববা ভারে হোক্লিক (মফি শেমই)

থরো— ফরে ফরে খ'মবা ভারেদমা (মফি শেমই)

(থাবল তৌফম খংলক্কে। নুপী অনি মশাম পায়নরকই। থাবলদা' থামই)

থা: — মখোয় অনি অমত্তা য়ায়রোইরা?

থম: — য়ায়োই ঐদি।

থাঃ — থরো নংদি ?

থরো — ঐগ্ন ওম্মোই।

থাঃ — নখোয় অবি চৎখো অদুদি

থরো — চৎলোই।

থাঃ — থম্বাল ?

থমঃ — লৈখিদ্রি।

থাঃ — অমত্তা লৈখিরবো চানিংঙাই লৈত্রে।

থমঃ — ঐদি কমক্তা চাখিদ্রি।

থরো — ঐগ্ন লেমক্তা চাখিদ্রি।

থাঃ — করে করে-। (Pause) অদুদি ঐগ্ন থবক্তা চৎলরোই, কপশায় শাগৎনা লৈবা ভারে। (কম্মেন কক্তা ঙেক-কমথৈ। ইমুংদা থোইবী ১সুং কন্যা থৎনরকই।)

— হাই, নখোয় অনিমী পালিয়া অমুক।

(থোইবী, কন্যা থোরকই)

থোঃ — চাক থোংবদা ঐগী কবেক শিজনরিশিনে। শিদমীগ্ন থেল্লা লৈতে। হামুক ভাক্তগ্ন তৈহল্লে।

কন্যা — ইচেনা অহখা অমা শিংগে হাইরেদনা।

থমঃ — ইস! মখিবোং কাওবা চানিংঙাই লৈভনা কদায়দৈ শিংদোরিবা ? শিংউ শিংউ।

থরো — মমা লৈরিবশিদি, মচাগীদমক্তা মমা ঐবা শিংগ্ন ভাই-দনা।

থাঃ — কজ-কজনা ঙাংমো।

থো: — বাবা হনুকপি মোবা য়ুম পান্দ্রিবী ফিংঙোলদা হাইগদ্ধ হাইগৎ চাহনগদু।

কন্যা— বাবা ঐগীদু অৎ অউন মতিক চানা হন্দিবু। হনু-কপি মিঙোলগী ভোঙাবা ইংখোল অমদা খুম শাদুনা লৈহন্বিবু।

থা: — হনুকপী মিঙোলনা মচি অমদা ভোঙ'ক্লা লৈনদুনা কুশি ভোহন্দা মখুত্তা লুপা কোম কোম পাররে হায়বন্ধ থংলবোরে। অদু ইপা উপায় লৈত্তে' ঙা'জদু।

কন্যা— বাবাবু গভর্নমেন্টগী থবক-ভোবা মীওই অমনা ভুপী অহুম লোয়া য়াদে হায়রশিবু থ'বিকৌদবো?

থা: — সি অা: মানা ডাক্তরগী ভুপী ওইরুতদা থংলকলি'মশে। (Pause) ইবেম্মা ইপানা থবক কৌন্নিঙৈদা নমা অহম্মক লোমশিন্নরে। কৌক্তক অমুক থায়লহন্দী নমা ময়াম চংদুনা কাহন্নরগেরো। চ'উ, নখোয় অমিমক।

(থরো, থম্বাল অমিমক তরংদা লৈরি। থোইবী কন্যা তপ্না তপ্না চংখি ইমুংদা।)

— নখোয় অদি চপ চপ লেপ লৈরিদুনা ক'রিগীবো? নঙ্গী নকোল্দা চংবা য়াদবো। (Pause) থম্বাল চাক থোংদোকলুশো।

থম: — ঐ চাক থোংবা য়াদে।

থা: — নচেগা লৌভানম্নবদু থরো নংগু কোক থোংদোকউ-য়োদনা

থরো — হোঃ ঐহ্ন য়াদেয়ে।

থাঃ — করিমোনে, অমদা হায়— "য়াদে" অমদা হায়— "য়াদে"। করিমো মপোয়না চৎথরিবা থবকশিবো।

থম: — য়াবু য়াদে তাইমী।

থরো — তাইগা। অসিবু ৎংনি হংজিশিবু (Pause) ইকায়দা—
(ইমুংদা অমকস্থু থোইবা, কন্যা থংনরকই)

থরো } — হাইমা। থৎনয়মান্নেনবৈ (ময়াইকাদা চংনাথ)
থম: }

থাঃ — হাই মুক্তা—।

মু. — হাউ (মন্নুং কাদগী)

থাঃ — কার হাউ'র। মচিন্দুবু করি অচাপোৎনা নম্বাদ্রু কবাক থগ্নি। (মুক্তা থোরকই) ইপা বা হায়গে তাউ।

মু: — তগি কৈন্নু। শক্তিক কাঙ্গুপো-চক্ক ককপুপো হাইদোগী। তমমোই, মীই-উ মংগ্রা তান্দুনা লৈক্কবি। (Pause) থংলবয়ো, অহু ওইয়বহ্ন ঐথোয়গীদি চাক লোই-হোয়ে।

থাঃ — চংউ অঙ্গদি। চাকচা তে কপগা লোইনা দিক তৌগে।
(মপা মচা চংখি)
(কোহোংলোমদৈ মনি. মথুক্তা য়ু লিকলি মচা ১ পাইদুনা হাইক্কেং ঙাওনা ঙাওনা চংলকই। ক্ষমনৈ চৌক্রিন্দা, লিকলিদা মুন্না য়েংলগা লৈরী।

মনি — মংমা ঐবু ভাউহল্লি, মংনা ঐবু চাকহল্লি পৈশানা পাম্বরক্তুবদা মিংশিংলি নংবু। (Pause) হে গীবু'শি লৈত্রবা লায় খোংভেক ম'ন্নাংবশা, নংগী অচুম্বা নিভি মিয়মবু কদায়নো ? নংবু করপসন ভোয়গা শেল চাবা লায়রো ? থবক ক'দবা মারোল শংগী ঈ চুম্না থুরক্তা লায় !! (Pause) শিংথরবা প্রকৃতগী মরামা থম্লবা মতগী খাংপোকশিদা ঐবু ভাওহল্লগে হ রনা থারকলি-বরো ? ঈশ্বর, নং অশেংনমক করপসন ভোগাক্লৈ। মীচং মিথায় মাইবা লায় ফত্তবনিদৈ নং। (Pause) গুড ! রা অমা লৈরে। লাইক চংকে শেল ভানগে, ভাদো ! (Pause) পৈশাপা থবক্তা শিন্নগে। মকোক চাউরিবা। ঈপাগী মজেং পাংগে।

ভাঞ্চা য়েংলুনা থম্বালস্ন মথা খোংদৈ তুমিন্না মথুক্তা আর্সে-নিক পাউডর (খেমজি) চেয়োম অমা পাইরুনা চং-লকই। খোইবীনা খোংনাওদা উরকই)

থম: — কৈদোরে মনি। (মুনম নমলকই) উম। নং মতুবা চিঞ্জাক য়াম্না শিজিন্নরমারে। থরা শাউনিংলগবু য়ু থকলগা ফবরো। হোৎপনুশে, চাক চাখোকপুরো। (মথুৎ চিংখিংলি)

মনি — ঐ করিম্ন ভোদে। খাদোকউ ইমা

(মনিনা মশা চোকথরক্লুনা মমায় লুকথরিউদা থ-ম্বালনা আর্সোনিক পাউডর লিকলি মনুংদা হাপচন-খি। খোইবী উহোক্লুনা পাথংনা চেয়োরকই।

থোঃ— ইমা ! (Pause) করি পোৎশক্কো মশি ? (মুল্লি)

মনি— থোইবী ! করি তৌরে ? ইকঃ (লিকলিচ্চুদা য়েংলগা) করিনো মশিদা চাপলিবা পোৎশকশি ? (Pause) থংই, ঐবু শিথিনবা থৌরাংলিবনি। করিগুম্বঃ থংদচনা ঐনা থকথ্রগা য়ু থক্কনা শিজ্জবনি হায়রহনগে হায়না ইমানা অকোম্বা লাংথ য়েংলমলি। চুমই, ঐগু শোয়নমা T. B. পকলব শিরগদবা মীশক্ক। অদুবু ইচল মুপী থোইবী থেংনরমজ্রবদি ঐ শোয়দনা শিরগদবা মীশকনি। (Pause) ঐহক্কা চুপিগ্রগা ইমানা মুমশিদা ওংথোগদগী মচুৎ; ঐ হিংলিবৈদা ইমা হাল্লা চৎখোকো .. (মথৌরি মেৎলি)

থমঃ— (পাথ-না) লৈকাই লৈকাই ! মীহাৎলে-মীহাৎলে !!

(থাবল, থরো, ১স্তুং মুক্তা কা মনুংদে চেম্বোরকই)

থরো } —কৈদোনরে, কৈদোনরগেমে ?
থাঃ }

থমঃ— মচা নিপা মমিশিমা য়ু থকচিল্লগা ঐবু নত্ত মস্তবা প্রচার তৌশিল্লগা হাৎকদোরে। (Pause) মুমশিদা ঐ লৈবা ওমজররোই। (চংকে তৌবা)

মনি— চৎপা মারোই। ঐবু মমা লৈতবা মচানি হাইদুনা করিগী উশিক্রি। মকমশিদগী খোংকম অমত্তং লেংবদা মশিমা ইমাগী মথরাইদু লোবা ওমজ্রবদি থুদক্কা ইতোমমতা থরাই থাজথিগে।

থাঃ — মরমড়ু করিনো ইপাদা শেংনা ভম্মু।

মনি— মরম হাইববু; ইমুংশিদা চৎলিবা মুপী অঙাংগী লমচৎ শাজৎ থিজিন্বিগদবনি। মুপী লোল্লগা অঙাং চেন্নকনি খংবিন্নবা বাজিনা মচা খুদিংমক্কি নিংথমক থুংহনবা ঙম-দ্রবস্ন মপুন্সিদা হিংবা ঙমননবা লম্বি অমত্তং শিনবী-গদবনি। শেল থোক্তনা ঐ মঙাইরে হান্‌ডুনা বাজাও ঙাংবীগদবা নত্তে। (Pause) য়েংবিয়ু, লিকলিশিগী মমুংদা ভাউরিবা পোৎশকনি। ঙসি ইচল থোইবীনা থেংনরমদ্রবদি ঐগী পুনসি লোইরবনি। (Pause) খংউ ইমা, নংগী অমাং অশেং মাইদ্রবা লমচৎ অহুনা মৈতৈ ইমাগী .. (লোক খুড়ুনা লেকথরকই)

থোঃ— ভাচৌ। (ময়াম চংশিন্দুনা মনিবু ফম্মেন্দা ফমহল্লি)

মুঃ — (পুলিস উবা) বাজ! পুলিস লাকলে কোক্কোংলোমদা (পুন্নমক পাথৎলি। কৃষ্ণ এস আই. কলঃ চংলকই)

কৃঃ — থানা বাবু, থম্বাল হাইফি কুপীচ্চ লৌরিশিনি। থম্বল ঐনা লাকলিবসি নংস্ন খংলমগনি। নংনা ইচা থবক হাপননবা লৌখিবা, মোহনগী মফমদা মীনমলম্বা—মদুগী মরম খংহনগে হায়দুনা লাকলিবনি। (Pause) ইভাও ঐনা লাকচন্নিবশি মরম খংবিরবরা ?

থাঃ — খংজদ্রি ইভাও। কান্নগীনো ভাকপিয়ু।

S. I.— মাইবম থাবল হান্নবশিবু শোন' অহল মত্রা ?

থাঃ — মাদি ঐ ইশাংক্রি।

S. I.— নরম পুন্নমক ঐ হায়জগে। মাইবম থাবল হায়রিবা শোম' অহলমা থৌমাওজম কৃষ্ণমনি হায়রিবা শোম অহলদৈ লুপা লিশিং ৫ গা পুবিখিবরা?

থাঃ — ঐহাক্লবো। থামাবাবু ঐ পুজদে।

কুঃ — ইডাও গৈনমবা রা থক ওংবু। পুদনবু পুম হায়গদবো ইনখিবা দলিল সাটি'কাইড কোপী য়াওরকলিবখিনি।

S. I.— ঐহাক্লা লাকচরিবাশ এক, আট, আয়গী নিংম মকুং ইন্না কাবা লাকচবনি। পাজগে তাবিখো।

(ফাইল মনুংদৈ দলিলতু পুথোক্না পাই)

(পাবা) ইয়াদি কির্দ শ্রীথৌমাওজম কৃষ্ণমনি সিংহ পিং মৃত চাওবা সিং, সাং সগোলবন্দ, শিনকম কারবার; স্থানে লিখিতং শ্রীমাইবম থাবল সিং পিং মৃত তোমল. সাং সগোলবন্দ তেরা, শিনকম গোভর্নমেন্ট সার্ভিস, ঐমা করিগুম্বা অচিনবা অমা কান্নজগে হায়দুনা ইমিংদা পানবা ইম্ফাল ওয়েষ্ট তহশিল পাটা নং খুল মঃ ৮৫ অরিবা পটা নং ৫০৪; অমৌবা পাটা নং ১১৪৭ এরিয়া, পোইন্ট ৭ একর চাওবা ইংখোলসি বন্ধক থমদুনা উক্ত মহাজনগী লুপা লিশিং ৫ পুজরী। মতম থা ১ থাজরি। শেন্দোয় থাদা ১০০ দা ৩ কাবগী হিংদা পিজগনি। শোইবা শেংকলবদি উক্তা মহাজনা কোর্টা দাবী তৌদুনা বন্ধক থমলিবা ইংখোল অসি ক্রোক নিলাম তৌদুনা উক্তা মহাজনগী শেন্দোয় শেন্নেপ লৌ-

বিখিবদা বেন্না লৈজদে। কাচ্চা পাট্টা মহাজন্দা পিজরে লৌশিং তানা ইথুংকি মহি পিজরি।

সাক্ষি: ওই খুবী মাইবম ওংবী থম্বাল দেবী

লেখক: এল রাজেন সিং (Pause) তাবীরেদনা খুমা

থাঃ— (থাংবা ঙমলকত্রঙনা) থম্বাল !!

S I— তুমিন লৈখো থুমা

থাঃ— ইশামকসু যাওবা নত্তে। চিনম্না দলিলমি মচু

S I— পাট্টাদার মাইবম থাবল চাউরিবাশিবু শোম অহলগী খুবং মহি মন্না মশিবু (দলিলচু উৎপা)

থাঃ— নত্তে। (Pause) মশিবু ইশামাক খুবং মহি ওইরম-লবদি স্বর্যদেবনা সাক্ষ ওইগ্রসনু, ইচা পুম্নমকাশ য়োকপা ঙমদনা মাংগ্রসনু।

S I— কাচ্চা পাটাশিদ কমাগীনো (পাট্টা উৎপা)

থাঃ— মশিদি ঐগী অশেংবা ইরলনি। (মনি জ্ঞান তারকই)

কুঃ— অহুনবু লুপাশিংশ শিংগে হায়ত্রা। নত্রগা পুলস ষ্টেসন তান্না চৎপিগে হায়ব্রা। অপাম্বা অথাথবিয়ু। অমত্তা পাম্বিত্রগা থুদকশিদা য়ুমশিগী মপান্দা লৈবিবা তায়।

মনি— (চংশিল্লকুনা) মখোয়না কয়ি এডিক লৈহুনা ইপাবু য়ুমশিদৈ তান্দোয়িবা? খংউ, থুম্না কৃষ্ণমনিনা শক্তি লৈহুনম্ন শেম্না থুমজাগী মীওই কয়াদা মরু লিংহুনম্ন ঐগী ইপাবু মতম থম্না কৈতুমশংদা থমথিবদি য়াই।

মচু নত্তবা ইপা ইপুগী অশেংবা মরলবু মুন্নগদবনি কনাগীসু মতিক লৈতে। ইমা ইপা ইচিল ইনাও পুন্নমক যুগকয়শদা লেংনবা লৈরগনি। মশিংমি মচা ঐ রাশক।

কুঃ — (থম্বাল চৎখিগে তোবচু উরকই) কদায়দনো থম্বাল চৎপা য়ারোই। মসি থেকনি হাইত্রা ঐনা? ঙমলোইদবা লৈরবদি নং নশাগী খুবী সহি করিগী নমজি চেদা। (Pause) হৌজিকমক ঐগী নুপা লিশিং ৫ চু চল্লোরকউ।

(থানানা পাইরিবা থাকি চেচু উরকই মুক্তানা)

মুঃ — তাচৌ, পুলিসনা পায়রিবা চেশিনি। ঐখোয় ইমানা হিদাক চাল্লগা, লাইরে শামরিবা। ঐনা পিয়ু হায়বদা য়াদে অহলশিনা।

মনি — অঙাংনা হায়রিবশি অমুক্তা রেংজগে থানা বাবু (লৌরগা মনম নমই) রেংবিয়ু হিদাক থকথিবগী মনমনি। (পীবা) জোনম চাউবী ইমাশিনা অহলশিদা লাইরে শারগা পিথকখিবগীনি।

থরো — অশেংবনি। ঐনা লোন্না থেংনজবা মতমদা ইমুংশিদা ইকাই হল্লোই মশক্তা লৈনবমনা অয়াম্বনি।

কুঃ — ইবেন্দ! অচোপ অরেম থংনা বা তাংউ। করিগী ঐবু অরাবনা তাহান্না।

মনি— খুরা,। মংমা ঐগী ইমাদা নমিৎ লাউথোক্নুনা হায়-কদবা নত্তে এংগী মুমগী মুপী অতাংশিংদা তাংলুগদবনি। (Pause) লমগী যগ মচি শাংই খন্নুবদি, মতাক পক্কা মৈতৈ পাউরৌ পুম্নমক ওয়া তৈনক্লে। তসি খুরাগা ঐগী ইমা যাইমগা পম্মোই তিন্নরুবদৈ খুর না নোক-লি—অদুগা ঐগী ইপানা কপলি। (Pause) মরুপ নু মুংশিবগী প্রেমনা শুমাং, শুমাংদৈ মাঙ্গোল, মাঙ্গোলদৈ ইমুং চংবন্নুবদৈ; পুম্নকশি দযা তারকলিবনি। তসি খুরা অমম্নুং ইমা যাইমগী লমচৎ শাজৎ কয়াশি উবদৈ কনামনু মরুপ মপাংবু মযুমদা চংহন্নবা হৌ-মদে।

S. I.— লৈকাই মী ওমশিন্নরকলগনি ফজদে। ইশামা থাক-চবা লাংদা ইশামা থুজবনি শাউবিন্নু।

থাঃ — চুমই, লৈচিন্নরিবা মুমগী মুপী অতাংগী লমচৎ শাজৎ খংবা ওমজ্জিবা ঐ অসিবু মী নত্তে যানি। অদুগা রুক্ক নংগী ময়াইবক ফবনা পুর্ণিমাশুম যমাই পাক্ল, ঐনা থা-শিগী অহিংশুম মকশিন্নি। অদুগা মশিমদি নংসু কাউ-গন্নু, থাবল ঐমা থম্মোই শেংনা হিংলিবৈ মতমদা নংগী পুর্ণিমাগী মতাল অদুবু অমতবা যোংহৌবা কুপশিযা ওমত্রবদি নংগী খোংজুম থজ্জনা থাবল পুন্সি লোম-শ্রগেকো।

কুঃ — কান্নদে ইবুংগো চৎনবা তৌশিনা (থানাদা)
(কন্সটেবলনা থাবল মখুৎ পুম্বা। কোয়োংলোমদে সুভাসনা লাউরকই।)

সুঃ — ইপাখকলবা অহল অমা পুখিবা য়ারোই। (চৎলকই)
পুবিগে চারুরগা এ-বেদ য়েম প'স'ন, লৌমমচাউবা ঐগী ইপাশিগা লুপী লগা পুবিখো।

কুঃ — সুভাস! নাংমা কয়ি থংই। ঐবু অঙাওবরো।

সুঃ — বা'ক ঙাওদে, ঙাঙখবা ওইরমগনি। ঙাওদবা নচা-নস্তু ঙাঙবা বাক্তিগী ঙাওরগদবা অঙাওবা চাংকনি চংখে'কচনিংই। (Pause) মাংলমচভা নচানা হাই-কখি। মীগী মরা মপুরোইবা লৈ'ব লুপীগা সঙ্গ তৌধি-গনু হায়না নিংশিংকখি। (Pause) থানা বাবু মঙাল ঙাওদবা চিরোলনা অহল অসি কাবদি য়'রোই।

S. I. — ঙাংনবা পাগলগা অফিসতা ঙাংনশি; চৎলু অহল।
(থাবল খোংথাং ১৷২ থাংই থোঙ্গালোমদে ডাঃ মোহন পরপ পরপ চৎলকই)

মোঃ — (চৎলকই) অমুক্কা ঙাইবিখো থানা বাবু। (Pause)
অহলশিগী মরাল করিনো?

S. I. — ডাঃ বাবু, ইতৈমশিনা লুপা লিশিং ৫ থক ইংখোল বন্ধক থমমারে, ঐখোই ভাইবুংঙোশিদা।

মোঃ — "ঐখোই ভাইবুংঙো" হায়রিশিবু কনানো? ঐখোইশিদি অদোমগী প্রজা নত্রবরো? খোমবু, ভাইবুংঙোশীদা

ওইবিবা পুলিসয়ো। অদোমবু ভাইবুংঙোদগী শেল চাবিবা মীশকয়ো। অদোম্না কাবিগদবা মীশক মুপী-শিংগুং চেনখ্রবখো। অদুগা অহানশিংবু দি চেনবা য়া-রোই। ঐস্ন পাউ তাবগা লাকচরিদশিনি। অদুগা ভাইবুংঙোন্না মুপী ২না পংলৌ লৌখিঙ্কনু। (Pause) ভাইবুংঙোগী লুপা লিশিং ৫ অদু শেন্দোয়গা কোম্না শিংজরবদি অহানশি থাদোকখিরগগনিদনা।

ক: — শেল মাংশিনম্না কিজবগী য়াদনি। শেলবু শিংবিগদবা লৈববদি কমাগুম্না যেক্লবা লৈক্তে।

মো: — (নোট মপুন ১ পুথোক্লুনা) লৌশিন্নয়। লুপা লিশিং ৫ গা ৩০০ নি। (পীবা) এস, আই বাবু শেল শিং-জরবনিনা কয়া কমপ্লেন্ট লৈখিবি।

S. I.—ঐবু পংয়া য়ারৌখিবগনু। মন ঐখোয়গী ইপোননি।

মো:— ঐ কয়িগুম্বা থমজদে। ঐনা পামজবদি কস্তবা পাম্বী কুক্লো-ক্লুমা লংখোক্লগা, অদুগী মকমদা অকবা পাম্বী থাজবা অসিনি। (Pause) মরাল লৈবা মীশক থংবিরববিবা এস, আই বাবুমা সমাজগী সেবা তৌবিরিবা মীশক্লুমা ইনেমবোকশি পবিখিগদবা ওইরিনিমে।

S. I.—অচুম্বনি। (এস, আইগী ইঙ্গিত ফংবদা কন্ঃ না থাবল থাদোক্লুনা থম্বালবু মখুৎ পুন্নি।)

থম্বা: — ময়াম্নদি ঐবু ইশাগী ওইজবা খিবিনি হাইনা থখিবা য়াই, অদুবু থমুক্তদি মুয়া থম্বখিয়ু— (Pause)

মশামকী সুপী অমদি মচাবু মিংথি সু'ম্ভাইমা য়োকপা ভমজ্রবা. সুপী লোম্ব। চায়াম পোকপা নিপা অমগী লো; মবী ওইহুমা লৈারবী কয়ম্বী সুপীশা মশাগী খুদোং চা-মবা লম্বী য়েংলকলোইদগে ? হপোংনমক ঐ, ঐ'ক্না পোকচবা ঙচা থোকবী অমম্ভং মুক্তাগী মপুন্সি হিংনবগী-দংক্তা লৌ শক্তম অ'রশক লৈশিল্লমই। শেল'শংতু অরেম্বদা মা'হন্দে। রাকশশিদা ঐ অর'ম্বা ওইজগে, অক্সবু গয়াগম্ভু খম্ভৃনা য়েংবিয়ু। ঐমা ভসি অয়াম্বা শাজৎ চৎ'লবাস ঐমা লান'মংহুমা লানজ্রা অচোম্না মীনা লাবহমজ্রা ?

মোঃ — মক্ষুম্ভ ফজরবা ইমাগী য়াখলনি। অক্তগা থোইবী . সুং মুক্তাগী দমক্তা করিমক্তা য়াবিরুপম্ভু পুম্নমক ঐমা মাইক য়ুম্বাল পুয়কপা ভম্নমবা তোৎনজগনি। অক্তমা য়'শমক্তংদি শেংদোকচগে। সুপী লোম্ব', চায়াম পোকপা ইমুং অসিদা অংনা অমগী অশোয়বা য়েংক্ষমা লৈজগদবগী শক্রক, চায়াম পোকপা লাইয়বা কয়াগ য়ুমথোংদা মীওইবা কয়াগী পুন্সিবু মাংহম্বা ভম্বা য়েক্সবগী মহম শাগৎলক্ত্রমা ভসিগী কিভমখি অরকনি হাইবাস ময়ামম্ভু কাক্তবীম্ভু। (Pause) ভসি ঐমা লাকচয়িবশিম্ভু ময়াল লৈজম্রবী কম্বাবু লোশিম্নগে লাকচখবি।

S. I.— অক্ষুদি ইতৈমা চৎলশি।

থামঃ — ইমা চৎলে মুক্তা. (Pause) লৈজোলৈকো ইমাগী থোইবী (পীমা থম্নবা মচা অখিগী মাইথোং অম্ভ লুকখবি। খম্বাল পুলিসকা লোয়মমা চৎকদবগী মাই লৈথোয়কই। কো-ম্বোংলোমদৈ কম্বাগী অশিবা মশাহ্ন লৈকাই মহায়োল ময়াম্না পুশিল্লকই। ময়াম পুম্নমক, থবালদা থমলম্বা মাইকম অম্ভ লুগৈজনা লৈকাই পাথংহুদা ভম্না য়েংলি।)

পাখং—ময়াম পুন্নক অমুক্তা য়েংবিয়ু। ময়াইবক শিন্নবি কন্যাসি মনিংগী লৌবুক্তা তেন্না পাখী মখোংদা লৌশিং য়াওদনা লৈরমলে। অতগা লিক্লি অসি মাগী মথুক্তা পারদুনা লৈরম্মী (কন্যা ময়াম'মাংদা থম্মী। পুন্নমক তরংদা লৈরী।)

মো: – (লিকলি য়েংলগা) "পে টাসিয়ম কেয়োসাইড" !! (Pause) চুপই, চাহ অমগী মমাংদা ঐগী হোম লেবয়েন্নিদগী মাংখিবা পোৎশকনি।

(থম্বাল তপ্পা তপ্পা মাইকম থুগাইদনা কো'ম্বোংলোমদ চৎখি। কৃষ্ণ, এস, আই, কন্য: পুন্নমক তরংদা তাউদুনা কোম্বোং য়োশি) থাবল তপ্পা চংশিল্লক্না অশিবা মচা কৈশ্যাবু তপ্পা কোনখত্নুনা মমিত্তা পী মরিক মরিক শিন্থরকপগা লোয়নন্না কন্যাবু চেজেং কোনশিনখি।

থা: – কন্যা !! ইপাগী ইবেম্মা ....

(ময়ামচাংদুনা কন্যাবু কোল্লিবা থাবলবু চিংথংলুবদ—থাবল ময়াদগী অতেং অথম মাইদনা তাংলবা ঈ তাথরক্লম্মী)

মচা অঙুম:—(মপা উবদা) "বাজি" !! (চেনশিন্দুনা মপাবু চেজেং কোনজৈ)

(মোহন অঙাওবগুম কন্যাগী থুয়াদা লৈরি। থরো খোংনাউগী খোংদা মকোক তাচুনা খাংলি)

থা:—(চোকখৎলবা মথুং অানচুনা মচা অঙুমবু নাখীরী)

"ইপা লোয়রে, ইপা কোক্তা থুং হাপ্পরে"

(কন্যাগী মপানক্তদা থাকলগী হকচাং পুন্নমক লেকখি,

লোইরক্তা